

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SUNDAY, JULY 03, 2016 PAGE 7

ফ্রান্সকী কোচ দিদিয়র দেসচেম্পনা ট্রেনিং সেক্সন মনুংদা শান্নরোইশিংদা তাক–তম্বীগী মতাং

ওষ্ট্রিয়ন গ্রান্দ ফিক্সকী ফোর্মুলা ৱানগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মর্চেদিস দাইভর লেৱিস হেমিলতন

## ৩৩ শুবা গ্লেন্দমার্ক সব–জুনিয়র নেসনেল এক্কাটিক হিরেন না অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড অহুম লৌখ্রে



Medal Standings

| # | State | G | S | B | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Maharashtra | 13 | 10 | 9 | 32 |
| 2 | Karnataka | 10 | 11 | 7 | 28 |
| 3 | Assam | 7 | 8 | 7 | 22 |
| 4 | Manipur | 5 | 0 | 1 | 6 |
| 5 | Bengal | 3 | 5 | 2 | 10 |
| 6 | Kerala | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 7 | Tamilnadu | 0 | 3 | 3 | 6 |
| 8 | Gujarat | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 9 | Pondicherry | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 10 | Delhi | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 11 | Goa | 0 | 0 | 1 | 1 |

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুলাই ০২ ঃ** মণিপুরগী শক্লাইরবা হিরেন শঙ্গোলশেম্মা মিটর ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইল লেভেলদা ০০ঃ৫৯.২০ সেকেন্দদা লোইদুনা গোল্ড লৌদুনা পুন্না মহাক্না চেম্পিয়নসিপ অসিদা নেসনেল রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড অহুম লৌখ্রে।

মহানন্দ থোকচোম্মা মিটর ৫০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা ০০ঃ৩৯.২০ সেকেন্দা লোইদুনা মণিপুরগী মঙাশুবা গোল্ড ওইহনখি।

য়াইফবি থৌদাম্মা মিটর ৫০ গী বেক ষ্ট্রোক্তা ৩৯ঃ০০ সেকেন্দদা লোইদুনা গোল্ড লৌখি।

হৌখিবা জুন থাগী ২৯ দগী ভসা বাঙ্গুদি এক্কাটিক সেন্টর সুইমিং পুল বেঙ্গলুরদা চথরকপা ৩৩ শুবা গ্লেন্দমার্ক, সব–জুনিয়র নেসনেল এক্কাটিক চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ লোইশিনখ্রে। খ্বাইদগী মেদল লৌবা ষ্টেটনা মহরাষ্ট্রনা ওইখি।

হিরেন শঙ্গোলশেম্মা নেসনেল রেকোর্দ থমখিবা ইভেন্ট অদুদি মিটর ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা ০০ঃ ২৬.৪৭ সেকেন্দদা লোইদুনা থমখিবনি।

মহাক্কী মমাংদা থম্লমখিবা রেকোর্দ অদুনা ইং ২০১৪ দা কর্নতকাগী সঞ্জয় সি জে না ০০ঃ২৬ সেকেন্দদা লোইদুনা ওইখিবনি।

অনীশুবা গোল্ড না মিটর ২০০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা ২ঃ৯.০০ মিনটতা লোইদুনা লৌখিবনি।

হিরেন্না গোল্ড অহুম অসিগী মথক্তা ব্রোঞ্জ অমসু লৌখি। ব্রোঞ্জ লৌখিবা ইভেন্ট অদুদি মিটর ৫০ গী বট্টরফ্লাই ষ্ট্রোক্তনি।

মহানন্দা থোকচোমগী গোল্ড অদুনা মিটর ৫০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা ০০ঃ৩৯.৪০ সেকেন্দদা লোইদুনা ফঙখিবনি।

য়াইফবি থৌদামগী গোল্ড অদুনা মিটর ৫০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা ৩৯ঃ০০ সেকেন্দদা লোইদুনা লৌখিবনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই কয়ানা সর্ভিসেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা শরুক য়াদুনা মেদল কয়াসু লৌবা ঙমখি।

সর্ভিসেস্তা লৈরিবা কে ঐচ ব্রেলসন্না মিটর ১ গী স্প্রিং বোর্দ দাইভিংদা গোল্ড লৌখি। মহাক্না মিটর ১০ গী হায় গোৎতসু গোল্ড অমসু লৌখি।

কর্নতকাগী মহুৎ শীনখিবা ঐচ লন্দন্না মিটর ১০ গী হায় বোর্দতা ব্রোঞ্জ লৌখি।

দিল্লিগী মহুৎ শীনখিবা কে ঐচ ঙানবা মৈতে মিটর ১০০ গী ব্রেস ষ্ট্রোক্তা গোল্ড লৌখি। মহাক্না মিটর ৫০০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা ব্রোঞ্জ অমসু লৌখি।

সর্ভিসেসতা শান্নখিবা কে ঐচ ব্রেলসন্না মিটর ৩ গী স্প্রিং বোর্দ দাইভিংদা গোল্ড অমগা লৌদুনা পুন্না গোল্ড অহুম লৌখি।

শান্নরোই পুম্নমক অসিনা মণিপুরগী মহুৎ শিল্লন্নবদি য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরমগনি।

মপালগী ষ্টেট অমদি সর্ভিসেসতা লৈরিবা শান্নরোই কয়া অসি ষ্টেট অসিদা পুন্না শান্ননবা থৌশিল তৌরবদি মাংজিল থানা চৎলিবা ষ্টেটশিংদগী য়াম্না হন্থনা লৈবা ঙল্লোই।

## জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ মণিপুরনা ছতিসগর গোল ১২–০ দা থোইখ্রে

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুলাই ০২ ঃ** উরিষাগী কতক্তা চথরিবা জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ইং ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ই দা লৈরিবা মণিপুরনা ছতিসগরগী অয়ুক্তা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়াম্না লায়না গোল ১২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎ রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। মণিপুরগী গোল্ডশিং অদু রতনবালানা ৩৭, ৩৯, ৬৪, ৬৭, ৭২ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা গোল তরুক, হেমোলাতানা ৫ অমদি ৯১ শুবা মিটতা গোল অনী, রঞ্জনানা ২০ অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা গোল অনী অমদি দয়ানা ৫৫ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা গোল অনী চনখিবনি। মণিপুরগী অনীশুবা লিগ মেটচ থা অসিগী ৬ তা মহারাষ্ট্রগা শান্নরগনি। নিংশিংবা য়াবদি মমাংগী এদিসন্দা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। ঙরাংদগী হৌদুনা চথরক্লিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী গ্রুপশিংগী শান্নখিবা মেটচশিংগী রিজল্টশিং মখাদা পীরি।



Results

| Competition | Team | | Team | Score | Date |
|---|---|---|---|---|---|
| Junior NFC 2016-17 | Manipur | vs. | Chhattisgarh | 12-0 | 02 July, 2016 |
| Junior NFC 2016-17 | Bihar | vs. | Himachal Pradesh | 20-0 | 02 July, 2016 |
| Junior NFC 2016-17 | Jharkhand | vs. | Madhya Pradesh | 11-0 | 02 July, 2016 |
| Junior NFC 2016-17 | Gujarat | vs. | Haryana | 0-10 | 02 July, 2016 |
| Junior NFC 2016-17 | Orissa | vs. | Uttar Pradesh | 10-0 | 01 July, 2016 |
| Junior NFC 2016-17 | Delhi | vs. | Tamilnadu | 2-4 | 01 July, 2016 |
| Junior NFC 2016-17 | Goa | vs. | West Bengal | 3-1 | 01 July, 2016 |
| Junior NFC 2016-17 | Mizoram | vs. | Pondicherry | 2-2 | 01 July, 2016 |

## খুরাইজম রামনরায়ান শাস্ত্রি চেছ জেকি অমদি নিংথেম টাইটলগী লম্বা ওইরি

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুলাই ০২ ঃ** ঐচ জেকি অমদি ও নিংথেম্মা ৬ শুবা রাউন্দ লোইবা ফাওবদা পোইন্ট ১৬ ফঙমিন্নরগা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসনদা লৈদুনা হয়েং লোইশিনগদৌরিবা অহানবা খুরাইজম রামনরায়ান শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী তাইতল লৌনগদৌরি।

জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক্তা খুরাইজম রামনরায়ান শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ত্রষ্টকা পুন্না শীন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী টেবল নম্বর ১ দা শান্নখিবদা ঐচ জেকি পোইন্ট ১৬ না ঐচ সোমোকান্তা ১৩ মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ২ দা ও নিংথেম পোইন্ট ১৬ না আই প্রিতম পোইন্ট ১৩ মায়থিবা পীরগা অনীশুবদা লৈখি।

টেবল নম্বর ৩, ৪ অমদি ৫ তা শান্নখিবা মেটচশিংদা সেক্সপিয়র এন, এস প্রেমজিৎ অমদি নাওরেম পারিনা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীরগা পোইন্ট ১৫ ফঙনদুনা তাইতল লৌবা য়াবগী ফিভমদা লৈতবসু নত্তে।

সেক্সপিয়র এল না এ চক্রিতোম্বী পোইন্ট ১২ মায়থিবা পীখি।



এস প্রেমজিৎনা চিতরঞ্জন পি পোইন্ট ১২ মায়থিবা পীখি।

নাওরেম পারিনা এল লালগোপাল পোইন্ট ১০ মায়থিবা পীখি।

মখা তারকপদা টেবল নম্বর ৬ তদগী ২৩ ফাওবা শান্নখিবা মেটচশিংদা এল বঙ্কিম পোইন্ট ১৩, কে ঐচ সঞ্জয় পোইন্ট ১২, সঞ্জিৎ এন পোইন্ট ১২, ঐচ মণিতোন পোইন্ট ১২ মায় পাকখি।

টেবল নম্বর ১০ দা সি ঐচ সমুবা অমদি এন সন্তিকুমার দ্রো ওইন্নরগা পোইন্ট তরা ফঙমিন্নখি।

এ সরত পোইন্ট ১২ না, এন রঞ্জন পোইন্ট ১২, এ ফোলেন পোইন্ট ১২, রোনাল্ড সোইবম পোইন্ট ১১ মায় পাকখি।

টেবল নম্বর ১৫ দা ই সসিকান্তা অমদি কে ঐচ পিঙ্কি দ্রো ওইরগা পোইন্ট ৮ ফঙমিন্নখি।

টেবল নম্বর ১৬ দা এস গুদচা অমদি এম ব্রোজেন দ্রো ওইমিন্নরগা পোইন্ট ৬ ফঙমিন্নখি।

সি ঐচ জনেশ্বর পোইন্ট ৯, কে জিবন পোইন্ট ৯, আর কে দট্টা পোইন্ট ৯, এ শ্যাম পোইন্ট ৯, কে ঙৌবা পোইন্ট ৭, এম সঞ্জয় পোইন্ট ৬ অমদি টি ঐচ পুনিল মায় পাকখি।

## চাওবা ইনষ্ট্রক্টর কোর্স মায় পাকখ্রে

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুলাই ০২ ঃ** মণিপুরগী এ এফ সি ‘এ’ লাইসেন্স পায়রবী লাংঙম চাওবা দেবী চৎলিবা চহি অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ১৮ দগী ২৮ ফাওবা পাংথোকখিবা এ এফ সি ইনষ্ট্রক্টর কোর্স ২০১৬ দা মায় পাকখ্রে।




লাকপা ফুটবোল ক্লব কয়াদা চৎননবা হোৎনবগী শান্নরোই খন্নবগী ত্রাইয়েলদসু মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসি অচুম্বমক্লি।

কোচ লাংঙম চাওবা দেবীনা ঙসি ফাওবদা শান্নবগী লম্বীদা খোঙদারক্লবা মতুংদা কোচকী থাক য়ৌননবা হোৎনরকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরমগনি। হন্দক্কী কোর্স অদুদা চাওবনা থিয়োরিদা য়াম্না চাওনা মায় পাকখি। প্রাক্টিকেল অমদি প্রজেন্টেসন্দা ফজবা ওইখি। কমেন্টনা ফিল্ড অমদি কনফিদেন্সকী মতাংদা য়াম্না শুগাইনা ফোংদোকখি। চাওবনা মায় পাক্লবদা অম্ফানা হরাও–নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। য়াম্না হেন্না নুংঙাইরিবদি উরিষাগী কত্তক্তা চথরিবা জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি ছতিসগরগা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা গোল ১২–০ দা মায়থিবা পীখিবদা অদুদসু মহাক্না কোচ ওইরিবনি।

চাওবগী য়াম্না শিন্থনিঙাই ওইরবা তাকপী–তম্বীবগী হৈ–শিংবা অসিনা মণিপুরদা অতোপ্পা লৈবাক্তঃদগী







